# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়ান্নবগা লোয়ননা শজিবু নোংম পানবা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লি।

২) থিবা খঙদনা লৈরিবা লুৱাংথেম মুকেশকী মরী মখোঙ তাকপা ঙম্নবদা লুপা লাখ ১০ গী মনা পীগনি হায়না সরকারনা লাউথোকখ্রে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২০ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

------

চৈরাউবা (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়ান্নবগা লোয়ননা শজিবু নোংম পানবা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোকরি।

শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগী পাউজেলদা হায়- অনৌবা চহি হৌবা নুমিৎ- চৈরাউবনা লাকপদা লমদম অসিদা অফবা তুংলমচৎ অমগী অনৌবা আশা পুরকপা ওইরসনু। য়াইফরবা নুমিৎ অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা প্রকবগীদমক অনৌবা ৱারেপ লৌবা, পুন্না থৌদাং য়ামিন্নবা অমসুং অফবা মায়ওনদা অনৌবা অহৌবা অমা পুরকপা ওইরসনু।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যব্রতাগী পাউজেলদা হায়- শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্কী মফমদা হৱাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোংদোকচরি। অসিগুম্বা অখন্নবা নুমিৎ অসিনা লাকপা মীপুম খুদিংমক্কী মফমদা নুংঙাইবা, হকচাং ফবা অমসুং চাওখৎপা পুরকপা ওইরসনু। লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা মণিপুরদা শান্তি, চাওখৎপা অমসুং নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু শ্রী সত্যব্রতাগী পাউজেলদা ফোংদোক্লি।

হান্নগী মন্ত্রি অমসুং শিংজমৈ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ৱাই. খেমচান্দ অমদি পাৎশোই কেন্দ্রগী এম.এল.এ শাপম কুঞ্জকেশ্বরনসু শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঙসি চহি হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। রাষ্ট্রপতিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকরিবা চহি হৌবগী থৌরম- শজিবু চৈরাউবা, চৈত্রা সুক্লাদি, উগারি, গোরি পর্বা, ছেতিচান, নব্রাহেনা লাকপদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম, জাতিশিংনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা পুনদুনা অপুনবা ভারত ওইহল্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা চাউখৎপগী লম্বীদা মাংজিল থানা চৎলশি।

রিৱার্দ (এল)ঃ থা অসিগী ১৬ তগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা লুৱাংথেম মুকেশকী মরী মখোঙ তাকপা ঙম্বদা লুপা লাখ ১০ গী মনা পীগনি হায়না রাজ্য সরকারগী জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) এম. ভেত্তোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়- মহাক মাংখিবগা মরী লৈননা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না এফ.আই.আর লৌখৎতুনা থিবগী থবক চখরি। মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমসুং তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা

মফমশিংদা পুন্না থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুরি। বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর অমসুং নোনে য়াওনা অতোপ্পা মফম খরদা এদভান্স টেকিকেল দেটা এনালাইসিস অমসুং ইন্তেলিজেন্স য়াওনা থি হুন্দ্বগী থবক চথুরি। মফম খঙদনা লৈরিবা মীওই অসিবু হিংনা ফংননবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা আপীলসু তৌরি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোলরুমগী পাউনা হায়- মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মসিগী মনুং চন্না চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাংজিং চীংগী উমংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা কন্ত্রিমেদ রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, পোইন্ট টু টুগী পিষ্টোল অমা, কন্ত্রি মেদ মোর্তার অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু তরা, সবেন পোইন্ট সিক্স টুগী তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরুশিং য়াওরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী চাঙৌবুংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদসু কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মরি, তুয়েল্ব বোরগী কাত্রিজ ২০, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২০ অমসুং হেন্দে গ্রেনেদ অহুম ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মান্দপ য়ুম্ফম রিলিফ কেম্প খুরখুলদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রে)গী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু লৈমাখোং প্রেমনাগরদগীনি। ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শওম্বুং মনিং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী আহন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- আইন্না য়াদবা মীওইশিংদা সিম কার্দ য়োল্লম্বা মীওই অমসু মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ফারে। ফারবা মীওই অসিদগী বি.এস.এন.এলগী ফাইভ জি রেদি সিম কার্দ ২২, এয়ারটেল ফাইভ জি প্লস সিম কার্দ ৫১ অমসুং এয়ারটেল ফাইভ জি প্লস এম.এন.পি সিম কার্দ ৪৪ ফাগৎখি। সিম কার্দশিং অসি শাশিন্নবা মীং শিজিন্নদুনা য়োলম্বনি হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ প্রাইম মিনিষ্টরস স্কুল ফোর রাইজিং ইন্দিয়া (পি.এম-শ্রী) স্কিমগী মখাদা সমগ্রহ শিক্ষা সেকেন্দরি মণিপুরনা শিন্দুনা কেরিয়র গাইদেন্স অমসুং কাউন্সেল্লিংগী থৌরম অমা ঙরাং জাফৌ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

ক্বালিতি ওফ ইজ্‌কেসন অমদি স্কুলশিংগী ইনফ্রষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্য সরকারগী ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট সেক্রেটরি এস.টি. রিথুং অনাল অমদি স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর সোংসির নিকোদিম মোন্সাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

জগোই (এল)ঃ সঙ্গিৎ নাটক একাদমি নিউ দিল্লিগী শেন্থং মখাদা ডান্স ড্রামা ম্যুজিক রিপর্টোর য়ুনিয়ন্না শিন্দ্‌না নুমিৎ ৩০ নি চুপা চথুরকখিবা মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্সকী এদভান্স ত্রেনিং অমদি নোংমগী ওইবা ফেষ্টিভেল ঙরাং লোইশিনখ্রে।

জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুরগী শকাইরবা ফিলম মেক্কর অরিবা শ্যাম শর্ম্মা শরুক য়াখি। ত্রেনিং কোর্স অসিদা মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্সকী মতাংদা ওজা গুরুশিংনা মহৈরোই ১৫ দা তাকপী তম্বীখি।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২০ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

য়ুহার ঃ   ম্যন্মারদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা রিক্তর স্কেলদা ৭.৭ য়ৌনা য়ুহার হাখিবা অদুদা শিখিবা মীগী মশিং লিশিং ১,৬৪৪ শুখ্রে। লৈবাক অদুগী লান্মীগী লৈঙাক্কী পাউনা হায়- থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীগী মশিং লিশিং ৩,৪০৮ শুরে, হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩৯ থিবা খঙদনা লৈরি। শিবা অমদি শোকপগী মশিং হেনগৎলকখিবা য়ারি হায়রি। শিরিবা অমদি শোকিবশিং অদু অয়াম্বনা লৈবাক অদুগী অনিসুবা খ্বাইদগী চাউবা সহর মন্দলেদনি।

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তসু য়ুহার হাবা অদুদা শিবা মীগী মশিং ১০ শুরে, ১০১ না হৌজিকসু থিবা খঙদ্রি।

মরক অসিদা, ভারতনা ওপরেসন ব্রহ্মাগী মখাদা রিলিফকী পোৎলম টোন ১৫ অহানবগী ওইনা ম্যান্মারদা মতেং পীখ্রে। মসিগী মথক্তা এন.দি.আর.এফ মীওই ৮০ ম্যান্মারগী অৱাবা তারিবা মফমশিংদা মী কনবগী থবক্তা তেংবাংনবা চৎখ্রে। লৈবাক অদুদা লৈবা ভারত মচা অমত্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈতে।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাস্ত্রা অমসুং ছাতিসগরদা চৎকনি।

প্রধান মন্ত্রিগী মহারাষ্ট্র খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা নাগপুরগী স্মৃতি মন্দিরদা চৎকনি। মসিগী তুংদা দিক্সা ভুমিদসু চৎকনি। প্রধান মন্ত্রিনা নাগপুরদা মাধপ নেত্রালায়া প্রিমিয়ম সেন্টরগী যাত্রা হুনগনি অমসুং মীয়ামগী মীফমদসু শরুক য়াগনি। শ্রী মোদিনা সহর অসিদা লোইটরিং ম্যুনিসন টেষ্ট রেঞ্জ অমসুং

য়ু.এন.ভিগী রনৱে ফেসিতিসিসু সোল্লর দিফেন্স এন্দ এরো স্পেস লিমিটেদতা শঙ্গাগনি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা ছাতিসগরগী বিলাসপুরদা চৎতুনা লুপা কোতি লিশিং ৩৩ হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি। মসিগা লোয়ননা মীয়ামগী মীফম অমদসু শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থমখিবা চপ চাবা মতমদনি হায়বা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহগী ৱাফম, অকনবা য়ুহারনা ম্যান্মারদা শিহনখিবা মীগী মশিং লিশিং ১,৬৪৪ য়ৌখ্রে অমদি কুকি নেসনেল কাউন্সিল শেমবা থৌরাং তৌরি, কে.পি.এগী মহুৎ কুকি জো নেসনেল পার্তি শেম্লগা মীখল থেংনগদৌরি হায়বা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থমখিবা চপ চাবা মতমদনি, পি.আর থমখিবদগী ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা লাক্লে হায়বা অমিত সাহগী ৱাফম সনালৈবাক পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপ্রী ইদিসনদা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদা অকনবা য়ুহারনা ম্যান্মারদা শিহনখিবা মীগী মশিং লিশিং ১,৬০০ হেনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

কুকি নেসনেল কাউন্সিল শেমবা থৌরাং তৌরি, কে.পি.এগী মহুৎ কুকি জো নেসনেল পার্তি শেম্লগা মীখল থেংনগদৌরি হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- লাঞ্জেন্নরিবা নুপী অঙাংশিংগী স্পেসিয়েল কমিতি শেমবা হায়খ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। চীংগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা চুনগদবা উহৈ ৱাহৈশিং মশক খঙদোক্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মুকেশ ফংনবা পাউ পীবা ঙম্বা মীওইদা লৈঙাকা লুপা লাখ ১০ গী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেল য়াওনা অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- চৈরাউবা অমসুং ইদকী পোৎ লৈবা লাকপা মীয়ামা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মীনা কৃক কৃক ইন্নখ্রে, কুক্ষে হৰাউ মতম ওইরবসু মায়থোং মকা লাম্বগী মমিদি তাখিদে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মী চিনবগী চাং ৱাংখিবগী পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------